লাইরিক২ ফোঙলগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): নোংচুপ হারম খোর্জেলূপ (নোহাখোল) গী ১৯২ অমসুং ১৯৩ শুবা অবুজম ইবোপিশক লুৱাংনা ইবা মালেমগী শক্লাইরবা খরগী ৱাখল মমি অমসুং এস অমুবী অমদি কে জয়না খোমজিনবা প্রমান পান্থে কৌবা লাইরিক অনী থা অসিগী ২৫ গী নুংথিল পুং ১.০১ দা মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা ফোঙলগনি হায়না নোহাখোলগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. আই এস য়ুম্নামনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসিদা এম এল এ, ডা. এস রঞ্জন, নোহাখোলগী প্রসিদেন্ট ডা. সচিকুমার য়ুরেম্বম, নোহাখোলগী হান্নগী প্রসিদেন্ট কুঞ্জো নিঙোম্বা, প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসনগী হান্নগী প্রসিদেন্ট লাঙ্গোল ইবোয়াইমা, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার শরতচন্দ্র লোংজোম্বনা থৌরম মপু, অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

বীর টিকেন্দ্রজিৎ দ্রামা উৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): ৱাঙ্গোই দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী আর্টিষ্টশিংনা ৱাঙ্গোই মখা লৈকায়দা বীর টিকেন্দ্রজিৎ দ্রামা উৎখ্রে হায়না য়ুথস ৱেলফেয়র এসোসিএসন, ৱাঙ্গোই মখা লৈকায়গী সেক্রেটরি এল বিরেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মৈত্রম বিরাগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ হায়রিবা দ্রামা অদু মায় পাক্লা উৎখি। দ্রামা অদু রিএলিটিদা বেজ তৌবনি। য়েংলিবশিংনা টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেলনা ফৈদাবুংদা থৌরী য়াল্লগা শিখিবগী মওং কয়া অদু উবা ফংখি। মচিন-মনাওশিংগী মরক্তা য়ুনিটি লৈতবগী মওং কয়া অদুনা মরম ওইরগা থোকখিবা কয়া অদু নীংশিংখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

এগজিবিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): দি এম কোলেজ ওফ টিচর এদ্যুকেসন ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙসি টিচিং এইদ এগজিবিসন অমা ইনষ্টিট্যুট অসি গী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

এগজিবিসন অদুগা মরী লৈননা দি এম কোলেজ ওফ টিচর এদ্যুকেসনগী প্রিন্সিপাল ডা. ঐচ ইবোমচানা হায়খি, টিচিং এইদকী এগজিবিসন তৌরিবসিগী পান্দমদি অফবা মহৈরোয়শিং শেমগৎপগী তঙাইফদবা অদুগী মীৎয়েংনি। খুন্নাই অমা শেমগে হায়রবদি অফবা মহৈরোয়শিং চঙই। ওজাশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংসি মহৈ-মশিন তম্বীগদৌরিবনি। অসিগুম্বা কয়া অসি য়েংলগা টিচিং এইদ এগজিবিসন পাঙথোকপনি। চহী খুদিংগী এগজিবিসন পাঙথোকই। মহৈরোয়শিং ক্লাসতা মতৌ করম্না মহৈ তম্বীগনি হায়না এগজিবিসন অসি পাঙথোকপনি। মহৈরোয়শিং শেম্বদা নীংথিনা মীৎয়েং চঙবা তাই। অফবা মহৈরোয় পুথোক্লবগী পান্দমদা এগজিবিসন অসি পাঙথোকপনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ষ্টেটসিদা শঙ্গোমগী পোত্থোক হেন্না পুথোকপগী তঙাইফদবা চাউনা লৈরি : ভি হঞ্জনলিয়ন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): ষ্টেটসিদা হৌজিক পুথোক্লিবা শঙ্গোমগী চাং অসি তঙাইফদবা দিমান্দ য়ৌবা ঙমদবনা হেন্না পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈরি হায়না ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি মিনিষ্টর ভি হঞ্জনলিয়ননা ভিটামিন এ, দি য়াওরবা ফোর্টিফাইদ টোন্দ মিল্ক লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর মিল্ক প্রদ্যুসর কোওপরেটিভ য়ুনিয়ন লিমিটেদ, ইম্ফাল ইষ্টনা টি আই এন আই টাটা ট্রষ্ট অমদি নেসনল দাইরি দিভলপমেন্ট বোর্দকা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ভেটিরিনরি মিনিষ্টর ভি হঞ্জনলিয়ননা সেন্ট্রেল দাইরি প্লান্ট পোরোম্পাৎ রি-কম্মিসন তৌবগা লোয়ননা ভিটামিন এ অমদি দি য়াওরবা ফোর্টিফাইদ টোন্দ মিল্ক লোঞ্চ তৌখি।

হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি মিনিষ্টর ভি হঞ্জনলিয়ননা শঙ্গোমগী পোত্থোক অসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না দিমান্দ লৈরি। সেন্ট্রেল দাইরি প্লান্ট পোরোম্পাৎনা নোংমদা শঙ্গোম লিটর ৬০০০ লোম পুথোকপা ঙম্মী। অদুবু ষ্টেট অসিদা তঙাইফদবা শঙ্গোমগী চাং অসি নোংমদা লিটর ২০,০০০ লোমনি। শঙ্গোমগী দিমান্দ অসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি।

পোরোম্পাৎতা লৈরিবা সেন্ট্রেল দাইরি প্লান্ট অসি মণিপুরগী মণিপুর মিল্ক প্রদ্যুসরস কোওপরেটিভ য়ুনিয়নদা এম ও য়ু অমা সাইন তৌদুনা খুৎশিন্নখিবনি। সেন্ট্রেল দাইরি প্লান্ট অসি য়ুনিয়ন অসিনা রন তৌবনি। নেসনল প্রোগ্রাম ফোর দাইরি দিভলপমেন্টকী প্রোগ্রামসু পায়খৎলক্লি।

ভিটামিন এ অমদি দি য়াওরবা চুমথাং হায়না মিংথোনবা ফোর্টিফাইদ টোন্দ মিল্ক ঙসি লোঞ্চ তৌরে। টাটা ট্রষ্ট অমদি নেসনল দাইরি দিভলপমেন্ট বোর্দনচিংবনা সপোর্ট পীরক্লিবা কয়া অসিগীদমক থাগৎলি। হকচাং ফনা লৈনবগীদমক ভিটামিন এ অমদি দি য়াম্না তঙাইফদে। হৌজিক পুথোক্লিবা শঙ্গোম অসিদা হায়রিবা ভিটামিন মখলশিং অসি য়াওবনা শীজিন্নবদা য়াম্না কান্নহল্লি। ফোর্টিফাইদ মিল্ক অসিনা হকচাং ফনা লৈবদা মতেং ওইগনি। ষ্টেট অসিদা শঙ্গোমগী পোত্থোক তঙাইফদবা চাং অদু য়ৌনা পুথোকপা ঙমদ্রিবনিনা হেন্না পুথোকপা তঙাইফদে। শঙ্গোমগী পোত্থোক অসি হেন্না পুথোক্লবগীদমক থৌরাং কয়া পায়খৎপা তঙাইফদে। দাইরি ফার্মিং অসি মীওই কয়াগী হিংনবগী শিনফম ওইবা থবক অমসু ওইরিবনি। ষ্টেটসিগী চীং অমসুং তমদা লৈরিবা ফার্মরশিংনা ষন লোইবগী শিনফম অসিদা নীংথিনা চঙশিল্লবদি শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদসু মতেং ওইগনি।

মিল্ক য়ুনিয়নদা ষ্টেট ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টনা টেক্নিকেল অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ সপোর্ট পীরি। মিল্ক য়ুনিয়ন অসি মপুং ফানা ওটোনোমি পীবগী থবক থৌরাং কয়া পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈরি। মণিপুর মিল্ক য়ুনিয়ননা হেল্ঠকা মরী লৈনবা হিরমদা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা ফোর্টিফাইদ মিল্ক লোঞ্চ তৌরকপনি। শঙ্গোমগী পোত্থোক হেনগৎহন্নবা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চুমথাং হায়না মিংথোনবা ভিটামিন এ অমদি দি য়াওবা ফোর্টিফাইদ মিল্ক ঙসি লোঞ্চ তৌখিবনি। থৌরম অদুদা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরিগী কম্মিস্নার সুমননা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। কোওপরেটিভ সোসাইটিগী রেজিষ্ট্রার রোবার্ট সিংহ ক্ষেত্রিময়ুম, ভেটিরিনরি দিরেক্টর ডা. ঐচ চাওবা, এন দি দি বিগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর মিনেস সাহ অমদি টি আই এন আই টাটা ট্রষ্টকী সিনিয়র এদভাইজর বিবেক অরোরাসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

সী পি আই মণিপুরগী ৭২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): সী পি আই মণিপুরগী ৭২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা সী পি আইগী ফিরাল চিংখৎখ্রে। নুমীৎ নীনি চথুগদবা কনফরেন্সসু হৌদোকখ্রে।

ইরিলবুংদা লৈবা হুয়েন লাল্লোং থাঙ-তাগী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সী পি আই সেন্ট্রেল সেক্রেটরিএট মেম্বর এম পি বিনোয় বিশ্বামনা হায়খি, মণিপুরগী ওইনা সী পি আইনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। মণিপুর সী পি আইগী মপুং ফাবা পুৱারী লৈবা লমদম অমনি। জননেতা ইরাবতকী লীচিং মখাদা মণিপুরদা কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি মরু হুনখি। জননেতা ইরাবতনা লুচিংবা অমা ওইনা লৈরম্বসি চাউথোকচনিংঙাইনি। জননেতা ইরাবত হায়বসি হিরোনি। বি জে পি হায়বসিদি আর এস এসনি। ইন্দিয়া অমদি মণিপুরদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা নুমীৎ নীনিগী ওইবা কনফরেন্স অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি। সী পি আই মপাঙ্গল কনখৎহনবা তঙাইফদে। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসি হিট্লরবু সপোর্ট তৌবা লৈঙাকনি। ইনাক খুনবা কাঙবুদা মীচঙ চঙবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. এম নরনা হায়খি, মণিপুরদা ঈশিং ফংদবদগী চাক তাঙবা থোক্লক্কদ্রা হায়বগী মীপায়বা লাক্লে। হৌজিক গ্যাস য়েন্দুনা য়ুমথোঙ খুদিংনা গ্যাস থোংদুনা লৈবগুম উহল্লক্লি। লায়রবা কোকহন্নবা লম্বীদা ইরাবতনা পুরক্লম্বনি। সেপ্টেম্বর থা অসি মণিপুরগী ওইনদি সী পি আইগী য়াম্না মরুওইবা থানি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সী পি আই মণিপুর ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, নেতা ইরাবতনা লমজিংদুনা সী পি আই মণিপুর অসি কুমজা ১৯৪৮ কী ওগষ্ট ২৩ দা লিংখৎলম্বনি। নেতা ইরাবতনা ধাকাদা চৎলুরগা থেংনরকপা ময়ামদু য়োকখৎতুনা লাকপনি। বি জে পিনা হৌজিক সী এ বি চৎনহনগনি হায়রি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী অকিবসু ফাওরি। ষ্টেটসিদা লৈঙাক পায়রিবশিংনা চাদা ৮০ দি লৌ উবা য়ারে হায়রিবা অসি তাবদা ৱারে। দোলাইথাবী প্রোজেক্ট প্রাইম মিনিষ্টরনা শঙ্গারবসু ঈশিং ফংদ্রি। মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি কন্নবা সী পি আইনা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা লাঙ্গোল ইবোয়াইমানা চীংমী-তম্মীগীদমক নেতা ইরাবতনা হোৎনরম্মী হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। থৌরমদুদা সী পি আইগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা সী পি আইগী মরুওইবা লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি। সী পি আইনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম কয়াগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক মতৌ করম্না মুখৎকদগে হায়বগী মতাংদা দিবেট কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবা অমসুং য়োনবা মতৌ করম্না মুখৎকদগে হায়বগী মতাংদা ষ্টেট লেভেল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন অহুম য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস থৌবাল, ওল মীতৈ-পাঙল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর, পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগা পুন্দুনা লিলোং পুলিস ষ্টেসন্দা ফম্মিন্নদুনা খন্নরবা মতুংদা দিবেট কম্পিটিসন অমা সেপ্টেম্বর ১৫দা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মীতৈ-পাঙল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ইমরাননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দিবেট কম্পিটিসন অসিগী টোপিকনা লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সীশিং খক্তনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক মুখৎপা ঙমগনি হায়বা অসিনি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংনা মসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। ক্লাস নাইনদগী অন্দর গ্রেজুয়েট ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। দ্রগনা মরম ওইরগা মাঙশিল্লক্লিবা খুন্নাই অসিবু মতৌ করম্না মান্নবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনরকপগী মতাংদা থৌদাং অমা ওইনা কম্পিটিসন অসি পাঙথোকপনি। কম্পিটিসন অসিগী ফোর্ম লিলোং হাওরৈবী কোলেজ, য়ুনিভর্সেল বুক ষ্টোর লিলোং বজার, সরস্বাতি বুক ষ্টোর থৌবালদগী ফংগনি। কম্পিটিসন অসিগী মনা অহানবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ১০, সার্টিফিকেট, অনীশুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ৭, সার্টিফিকেট, অহুমশুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ৫, সার্টিফিকেট য়াওরি। মরিশুবা পোজিসন্দগী তরাশুবা পোজিসন ফাওবা কন্সোলেসন প্রাইজ লৈগনি। কম্পিটিসন অসিবু শরুক য়ারিবা মহৈরোয় খুদিংমক্তা সার্টিফিকেট পীদুনা ঈকায় খুম্নগনি। অওনবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মমি তাদবা লমদম ওইহল্লসি। মীয়াম পুম্বনা তুংগী মীরোলগী খন্দুনা এৱেয়র্নেস কয়া পাঙথোক্তুনা অচুম্বা লম্বী পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়রি।

শৈরেংবশিংগী অপূনবা লূপকী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): শৈরেংবশিংগী অপূনবা লূপ (সাল) মণিপুরগী ১০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা খুরাইজম ফুল্লো সনাথোই মনা, শৈরেংবা ২০১৯, চহীসিগী শৈশকপী অমসুং চহীসিগী শৈপানবগী মনা য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি লময়ানবা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

সালগী মনা লান্থোকখ্রবশিং অদুদি, রাজেন্দ্র ওক্রম (চহীসিগী শৈরেংবা-২০১৯), ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসম (চহীসিগী শৈরেংবা-২০১৯), অসেম বিমোলা (চহীসিগী শৈশকপী-২০১৯), অথোকপম গোপী (চহীসিগী শৈপানবা-২০১৯), জমুনা ময়েংবম (খুরাইজম ফুল্লো সনাথোই মনা-২০১৯) নি। তরাম্না ওকখিবশিংদি, খুরাইজম নিমাইচরন (রাইটর ওফ দি ইয়ার-২০১৯), ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসম (সলাম ইবোমচা-লসমী নীংশিং সাহিত্য মনা), শংলাকপম অচৌ শর্ম্মা (অকোইজম ওজা বীজয় নীংশিং মনা-২০১৮), দোনেশ্বর কোন্সম (তেলেম অতোইবেমা মনা-২০১৯, সনাতোন নিংথৌজা (ডা. বি আর অম্বেডকর ইন্টরনেসনল মনা-২০১৯), আর কে সনাহনবী (লীকখোম্বী চনু) (প্রিয়শখি নীংশিং সাহিত্য মনা, লম্মী গোমতী মধুমতি অঙাংগী সাহিত্য মনা) নি।

থৌরমদুদা সোসল ৱার্কর খুরাইজম রতনকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, সোসল ৱার্কর হুইদ্রোম বিক্রমজিৎ, অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর থাংজম অরুনকুমার অমদি এস পি গ্রুপকী চেয়রমেন এন্দ মেনেজিং দিরেক্টর এস প্রেশিয়োজিৎনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইখি। সালগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. এস ইবুংঙোচৌবনা থৌরম মপু ওইখি।

থৌরমদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা সালগী সেক্রেটরি জিবন মোইরাংথেমনা হায়খি, সাল অসি এ আই আরনা শকখঙলবা লূপ অমনি। লূপ অসিনা ঈশৈ, শৈরেংদা কখোক্তুনা লাক্লবা অহল-লমনশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা লাক্লি। ঈশৈ অমসুং শৈরেংবু নুংশিবশিংনা মতেং পাংবীদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপা ঙম্বনি। অহল-লমনশিংনা কখোক্তুনা লাক্লবা কয়া অদুবু ঈকায় খুম্নদুনা মনা পীবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোলদা খুরাইজম রতনকুমারনা হায়খি, মীওইবগী চৎলিবা পুংলোনদা অৱাবা নুংঙাইবা কয়া অমা ঈশৈ শক্লি। শৈরাংবা কয়ানা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা ঈশৈ পুথোক্লি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা লাইরিক তরেৎসু ফোঙখি। লাইরিকশিং অদুদি, শৈথারোল মাপলশুবা, সালগী অপূনবা লাইরিক, জেএস কোন্সমগী মহৌশা কৌবী হে মরূপ, জে এস কোন্সমগী লোইবী চীংগী মালংবা, কৈশাম প্রিয়োকুমারগী নাৱা শৈরোল অহানবা, কৈশাম প্রিয়োকুমারগী থাজগুম নিংথিবী মায়থোঙদা, ময়াংলম্বম সুমতিগী হো পুর্ণিমা হিয়াংগৈগী পুর্ণিমা অমদি হোমেন্দ্রো ইরেংবমগী ইপা-ইপুশিংনা ঙাংনা শক্লরম্বনি হায়রি।

মীওই অনী লুপা লাখ ১০ রোমগী দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটকা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): মীওই অনী ইন্দিয়ন মার্কেটতা লুপা লাখ ১০ রোম ওইগদবা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট লিশিং ১০ গা কোন্ননা ফারে হায়না ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি জোগেসচন্দ্র হাওবিজমনা ফোঙদোকখ্রে।

এস পি ইম্ফাল ইষ্টকী ওফিসতা ফারবা মীওইশিং অদু পুথোকখ্রে। মীওইশিং অদুদি, কাঞ্চিপুর সিনেমা হোল মনাক্তগী হুইদ্রোম রাজেন (৪৭), অপোকপা লৈখিদ্রবা ঐচ উদয় অমসুং বাশিখোং মাইমোম লৈকায়দগী মাইমোম বজান্তা, অপোকপা লৈখিদ্রবা মোহোরিনি।

ইম্ফাল ইষ্ট এস পিগী ওফিসতা ফারবা মীওইশিং অদু ঙসি পুথোক্লদুনা এস পি জোগেসচন্দ্র হাওবিজমনা ফোঙদোকখিবদা, ইম্ফাল ইষ্টকী এন/সেল টিমনা ক্যামগৈ করাটি হোল এরিয়াদা চেক্কিং চথরিঙৈ মনুংদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লাকপা মীওই অমা চেক তৌবদা পেকেট মচা খরদা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট হাপ্লগা পুরকপদগী ফাখিবনি। মহাক্কী মমিং হুইদ্রোম রাজেন কৌই। মহাক ফারবা মতুংদা নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা অনীশুবা এক্যুজ অদুসু ফাবা ঙমখিবনি। বজান্তানা রাজেনদা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটশিং অদু গুৱাহাতিদা দেল্লিভর তৌনবা ঙরাং শীন্নবনি। এম বজান্তা হায়রিবা মীওই অসি নুমীৎ অদুগী নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক পার্কিংদগী ফাখিবনি। ফারবা মীওই অনীমক ইরিলবুং পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে। মখোয়দগী ফারবা পোৎলমশিংদি ইন্দিয়ন মার্কেটতা লুপা লাখ ১০ রোমগী ওইগদবা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট, মোবাইল ফোন জি-৫, এয়রটেল সিম অমদি আধার কার্দনচিংবশিংনি হায়রি।

করিয়র কাউন্সেল্লিং পাঙথোক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন, য়ুনাইটেদ ভোলন্টরি ওর্গনাইজেসন (দি পি য়ু ভি ও), নম্বোলনা শীন্দুনা 'মীটদ প্রোমিনেন্ট পর্সনেলিটিজ ফোর সক্সেসফুল করিয়র' হায়না মিংথোনবা নম্বোল মায়কৈদা লৈরিবা ক্লাস ১১ অমদি মসিগী মথক্তা তম্লিবা মহৈরোয়শিংবু তোঙান-তোঙানবা অখঙ-অহৈশিংনা করিয়র কাউন্সেল্লিং পীবগী থৌরম পাঙথোক্লি হায়না ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি থোকচোম লমজিংবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অচঙবা তুংগী য়ূম্বী পুথোক্লবগী পান্দমদা দি পি য়ু ভি ওনা পায়খৎলক্লিবা কাউন্সেল্লিং পীবগী থৌরম অসি থা অমগী অহৌবা অমদি অরোইবা নোংমাইজিং খুদিংগী অয়ূক পুঙ ৭ তগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি অহানবা ওইনা থা অসিগী ৪ দগী ইপিসোদ-১ হৌদোকখিবনি। ইপিসোদ-২না থা অসিগী ২৫ দা নম্বোল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোক্লগনি। ইপিসোদ-২ অসিদা এলাংবম অমুথোইখা-ঙানবা, এ/সি থৌবাল দি সিনা ফাউন্দেসন ফোর ফ্যুচর করিয়র হায়বা হীরমদা ৱাফম থম্বীগনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্টকী ফেকল্টি মেম্বর চীংলেন মাইস্নামনা ষ্টুদেন্টস করিয়র ইন দ এজ ওফ গ্লোবেলাইজেসন হায়বা হীরমদা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংগা ৱারী-ৱাতাই শানবগী থৌরমসু চথগনি। ইপিসোদ-৩ না সেপ্টেম্বর ১গী অয়ূক পুঙ ৭ তাবা মতমদা মফম অসিমক্তদা পাঙথোক্কনি। সোসল সাইন্টিষ্ট দা. ধনবির লাইশ্রমনা রোল ওফ য়ুথস ফোর ফ্যুচর ওফ মণিপুর হায়বা হীরমদা ৱাফম থম্বীগনি। থৌরম অসিদা নম্বোল মায়কৈগী মহৈরোয়শিং অমদি মমা-মপাশিংনা শরুক য়াবিয়ু হায়রি।

জেনরেল এসেমব্লী পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): লিদরশিপ কাউন্সীল থাঙ-তা মণিপুর (এল সী টি টি) গী জেনরেল এসেমব্লী ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়না এল সী টি টিগী কনভিনরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, জেনরেল এসেমব্লীনা ৱারেপ অহুম লৌখ্রে। থাঙ-তা চাউখৎনবা ষ্টেট পোলিসীগী মখাদা চীফ মিনিষ্টরনা চাউখৎনবা প্রোগ্রামশিং পায়খৎলকপদা এল সী টি টিনা মতেং পাংবা, মালেমদা থাঙ-তা ফেদরেসন্না নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা থাঙ-তা পুখৎনবা হোৎনবদা এল সী টি টিনা মতেং পাংবা, প্রাইম মিনিষ্টরদা থাঙ-তা চাউখৎনবা পোইন্ট ১৩ য়াওবা চার্টর ওফ দিমান্দস অমা পীশিন্নবা মথংগী মীফমদা খন্নবা হায়না লেপ্পখ্রে হায়রি।

উনৌ কোন্দে হুনবা থৌরম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা শীন্দুনা নুমীৎ ১০ নি চত্থরকপা উনৌ কোন্দে হুনবা থৌরম লোইশিনবগা লোয়ননা সার্টিফিকেটসু য়েন্থোকখ্রে।

উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু অঙোম নিংথৌ অমুবীনা লুচিংদুনা পাঙথোকখি। মাইবম হনবা সনা কোনুং শমজেৎশাবম কোন্দুম্বা, উকলগী প্রসিদেন্ট চনম পরৈহনবা অমদি ফম্নাইবশিংসু শরুক য়াখি।

সনা কোনুংগী মাইবা হনবা শমজেৎশাবম কোন্দুম্বনা ফোঙদোকখিবদা, উমংলাই হরাওবা হায়বসি লাইগী ওইবা থৌরমনি। লাইথৌ অসি কাউদনবা হোৎনবগা লোয়ননা অনৌবা কয়া অমসু খঙহনবনি। মাইবীশিংনা মাগী মাগী মমা ওইরিবী শিন্তাকপীশিংগী মখাদা খুদোংচাবা পীবনি। মাইবা-মাইবী, পেনাগী লমদা লৈরিবশিংনসু নীংশিংনবা পাঙথোকপনি। উমংলাইগী ওইবা চীনবুংদা লৈবা মরমনা শাথেক, খোঙলোন, খুৎলোনদা লৈরিবশিং কাউদনবা হোৎনবনি।

মীয়াম্না মপুং ফানা উরুদ্রবা কয়া অমনি। উনৌ কোন্দে হুনবা থৌরম পাঙথোক্লবদি শিথরুরবা লাইথৌশিং কনখৎপা ঙমগনি। কাউরুরবশিং হাপচিন্নবা পাঙথোকপনি। চহী চহীগী ওইনা পাঙথোকপা থৌরমনি। শিনফম অসিদা লৈরিবশিংনা হন্দক য়াওবা ঙমহৌদ্রবসু মথংদা য়াওনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা সনা কোনুং উত্রা শঙলেনগী শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা ৱাফম কয়াসু থম্নখি হায়রি।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা মাঙহল্লিবা অমদি নুপী-অঙাংদা চত্থবা মীওৎ-মীনৈগী মতাংদা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপ অমদি ৱাংখৈ অয়াংপল্লি নিংথেম পুখ্রি মপাল খুন্নাই চাউখৎ কাঙলুপনা শীন্দুনা খুন্নাই অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা মাঙহল্লিবা অমদি নুপী-অঙাংদা চত্থবা মীওৎ-মীনৈ হায়বা হিরমদা মীফম অমা ৱাংখৈ অয়াংপল্লি নিংথেম পুখ্রি মপাল কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী সেক্রেটরি এন রাধামনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীফম অদুদা নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ৱাই মেমা অমদি নুপী খুন্নাই চাউখৎ কাঙলুপকী প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম শসিনা থৌরম মপু ওইখি।

লমদমসিদা নোংম-নোংমগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা অমদি চাবা হেনগৎলক্লি। ক্রাইম খুদিংমক্কী হৌরকফমসু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা ওইহল্লক্লি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োল্লিবা, চারিবশিংবু ইমা-ইবেল মৈরা পায়বীশিংনা থিংলুবদা মুক্লবা খৎনবা ময়াম অমা থোরক্লে। মসিনা মরম ওইরগা খৎনবা চৈনবা নুংঙাইনদবা ময়াম অসি থোক্তনবা ঙসিগী পাল্লিবা লৈঙাক্লা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা এক্ট অমা অথুবা মতমদা শেম্বীয়ু। মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট, ১৯৯১ লৈনা লৈনা করিগীদমক্তা মফম খুদিংমক্তা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা হেনগৎলক্লিবনো। এক্ট অসিগী মখাদা করি থবক থৌরম মপুং ফানা তৌখ্রবগে। অথুবা মতদা লৈঙাক্লা ক্রাইম থোক্তনবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

ঙসিগী মীফমদা অমত্তা ওইনা য়ানদুনা লৌখিবা ৱারেপশিংদি, লৈবাক্কী লুরবা তাঞ্জা লাকপদা ঐখোয় পুনমিন্নরিবা লূপশিংগা শরুক য়ামিন্নবা, লৈকায় লৈকায়শিংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা অমদি চাবশিং ঐখোয় পুন্না থিংমিন্নবা অমসুং মৈরা লূপ অমনা মৈরা লূপ অমগী মফমদা চঙদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংমিন্নবদা মৈরা লূপ অমনা চাউনা মতেং পাংনবা, অয়েৎপা অপনবা পীনদবা ঐখোয় অমত্তা ওইনা থিংমিন্নবা, লৈকায় লৈকায়শিংদা খৎন-চৈনবা অমদি মোব জষ্টিস থোক্তনবা হোৎনবা, লো খঙনা পুন্না থবক তৌমিন্নবা, মৈরা পায়বীশিংনা মীয়াম তীনবা মফমদা অমদি মৈরা শঙদা ক্বা জর্দা অমসুং ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং চাবা থিংমিন্নবা, লৈকায় অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাশিন-থকচিল্লগা ইমুং-মনুংগী নুপী অঙাংশিংদা ওৎপা নৈবা য়াহন্দবা, নুপী-অঙাংশিংদা ওৎপা নৈবা চত্থরক্লবদি মদু লোদা শীন্নবা, নিংথেম পুখ্রি মপালদা অতোপ্পা লমদগী নুপামচাশিং লাকলগা মফম মতম চাদনা ফম্বা অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাশিন থকচিল্লগা ফম্বশিংসু অথিংবা থল্লে, নুংথিলগী পুং ৫ দগী মরম চাদনা চঙবসু অথিংবা থল্লে। ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপাল অপূনবা নুপী লূপনা লৈবাক্কী থবক থৌরম অমা লাকপদা অমদি লৈকায়গী থৌদোক অমা লাকপদা পুন্না শরুক য়ামিন্নবা। করিগুম্বা থবক থৌরম অমা লাকপদা য়ুমথোঙ খুদিংগী মীওইশিং থোক্লককপা, থোক্লক্তবা তারবদি মখোয় মখোয়গী থৌদোক অমা থোক্লককপা মতমদা চঙদবা হায়নসু ৱারেপ লৌখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

[illegible]/থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

হৌখিবা তাং ২০/০৮/২০১৯ ইং, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা The Western Modern Club, Moidangpok Khunou গী অনৌবা থৌমীশিং খনখ্রে।

খল্লবা থৌমীশিং অমদি মখোয়গী ফমশিং মখাদা পীজরি :-

1. ADVISORY : Thangjam Dhananjoy Meetei, Ningombam Nabakeshor Singh 2. PRESIDENT : Khumbongmayum Nabadip Singh 3. VICE-PRESIDENT : Pukhrambam Dinababu Singh, Ningombam Loken Singh 4. SECRETARY : Ningthoukhongjam Manglem Singh 5. ASST. SECRETARY : Sorokhaibam Inaoba Singh, Thangjam Lukhoi (Thoppa) Meetei 6. TREASURER : Khumbongmayum Romio Singh 7. GAME & SPORTS : Thokchom Jiran Singh & S. Inaoba Singh 8. PUBLICITY SECRETARY : Pukhrambam Dinababu & N. Loken 9. MUSIC SECRETARY : Elangbam Prithibi Raj 10. AUDIT : Oinam Dheinachandra Meetei, Leiphrakpam Ranjit Singh.

Sd/- Ningthoukhongjam Manglem Singh, Secretary
The Western Modern Club, Moidangpok Khunou

HL-P/3790/24

GOVERNMENT OF MANIPUR
DEPARTMENT OF SOCIAL WELFARE

NOTIFICATION

Imphal the 21st August, 2019

No. 9/259/2019-SW: It is hereby notified for general information that online applications are invited from interested children, individuals and institutions of the state for felicitation under two categories of awards, i.e Bal Shakti Puraskar and Bal Kalyan Puraskar instituted by the Ministry of Women and Child Development, Government of India.

The Bal Shakti Puraskar will be awarded to children with exceptional abilities and who have achieved extraordinary recognition in various fields. Including innovations, scholastics, sports, art& culture, social service and bravery

The Bal Kalyan Puraskar will be given to any individuals or institutions as recognition who have made an outstanding contribution towards services for children in the field of child development, child protection and child welfare. Details of the guidelines and applications may be seen on the exclusive portal/website www.nca-wcd.nic.in. Last date for receipt of online application forms by the Ministry is 31.08.19.

For further information and clarification, may kindly contact **Smt. Saroja Konsam**, Deputy Director (Children Programme), Directorate of Social Welfare, Manipur. Near 2nd MR Gate. AT Line, Imphal

Sd/- Ngangom Uttam Singh
Director (Social Welfare)
Manipur

HL-P/3777/23,24

ꯊꯕꯛ/JOB VACANCY

OFFICE OF THE CHAKPA FINANCE
URIPOK KHUMALTHEM LEIKAI, IMPHAL WEST - 795001
Licence No. 296/M/BML/2019

S/No.	Name of Post	No. of Post	Qualification	Pay scale	Age
1.	Security	4	viii/x	9,000 to 18,000	18 to 25 year
2.	Reception	4	viii/x	9,000 to 18,000	18 to 25 year
3.	Loan Enquiry	4	x/xii	14,000 to 23,000	18 to 25 year
4.	Accountant	2	xii above	19,000 to 30,000	18 to 25 year
5.	Assistance Manager	2	xii above	19,000 to 30,000	18 to 25year

***Last date of form submission 26/08/2019 *Interview date 28/8/2019 (2:00pm)**
***Address : Uripok Khumalthem Leikai**
***Interested Candidate can contact us 8118911826/9366675205** HL-P/3970/23,24

IIBIT
Indian Institute of Banking and Information Technology

A leading Private Bank is looking for Executives under Permanent Post.
- **CAS Executive** - Qualification Graduate with age below 28 years.
- **Phone Banking Officer** - Qualification Graduate with age below 32 years.
- **Branch Relationship Executive** - H.S passed students can also apply.

Preference will be given to the candidates who can speak the local language. For details search facebook page - Indian Institute of Banking and Information Technology.

Salary - 10,000 - 27,000/-

IIBIT
Khuyathong Polem Leikai, Opp. Senapati Parking, Imphal West, Manipur
OUR CANDIDATES WORKING AT
THOMSON AXIS BANK
L. JOYCHANDRA AXIS BANK
THOMSON AXIS BANK
RISHIKANTA HDFC BANK
RUBI AXIS BANK
DHANUKA ICICI BANK
BIKY ICICI BANK
SOMENDRO HDFC BANK
ANJEETA ICICI BANK
MANGAMBA ICICI BANK
BISWAJIT ICICI BANK
RAJIV SINGH ICICI BANK
JOHNSON ICICI BANK
GOPEN AXIS BANK
DESKANT SINGH ICICI BANK
CHALAMBA ICICI BANK
L. PALUJOM AXIS BANK
TAYENJAM DEEPAK ICICI BANK
SIRO ICICI BANK
CHANDANI AXIS BANK
RAJU ICICI BANK
SOPHIA ICICI BANK
HAFIZUDDIN SBI BANK
POOJA ICICI BANK

Required Office F.C (Financial Consultant) from Ukhrul, Chandel, Senapati, Tamenglong etc.
Salary - 25k + Incentive
Office Address : Khuyathong, Opposite Senapati Parking.
FB. Page : Indian Institute of Banking and Information Technology, Manipur.
Contact No. : 8729894704, 8729895297
HL-B/5582/30/7-29/8